য়াদ্রেং নৈক্রেং পোমশাংনবা




ঐবা :—

শ্রীচুয়াম য়াইবা সিংহ
কোয়েং লৈকাই
ইম্ফাল

অফোংবা ঃ

...শা

কাকেইৎ... ...ং লৈকাই, ইম্ফাল



...শিং ঃ ১১০০

অহানবা থুংনম ১৯৮৬ (জানুয়ারী)

মমল ঃ লু ঃ ১০/- (লুপা তরা)

হক পুম্নমক অইবগীনি।

নম্ফমঃ— প্রাটাপ প্রিন্টিং রাজ, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

অইবগী বারোল খরা

রারেং শৈরেং পোমশাংনবা মিংথোনবা লাইরিক অসি সাহিত্যকার; কলাকার, ভদ্রলোকশিং, ভদ্রমহিলাশিং অমদি সাহিত্যবু নুংশিবা পুম্নমক্না খন্ন-নৈনন্থনা মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগদবা হায়দুনা পুথোকচবনি।

লাইরিক অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীনা শেলগী মতেং পীবিবদগী ফোংদোকচবা ওমজবনি। ফোংনবা মতেং পিবিবগীদমক্তা একাডেমীবু-হন্না হন্না ধন্যবাদ তৌজরি। অমসুং তৌবীমল খঙবা উচ্চরি।

লাইরিক অসি খন্ন নৈন্নবিরগা মরি নৈনবা বিভাগনা তন্নবা লাইরিক ওইনা লৌশিনবিরম্ম হোৎনজবগী মহৈ য়াম্লে খনজগনি মসিদা অরান অশুবা অমদি প্রিন্টিং মিষ্টেক পুম্নমক মথংগী থুংনমদা ফজনা চুমথোকচগনি মসিগীদমক্তা ওাকপিগনি হায়না আশা তৌজে।

লাইরিক অসিদা ইশ্বরনা পান্নদি হৈরাং লৈরাং অমদি হৈনম লৈনম, হৈকৎ লৈকৎ অমসুং লুকৎনা খ্বাইদগী হেন্না পামই, কচ্চরিবা পুম্নমকপুম্ন নুংঙাই য়াইফবা মঙ্গোল আশিবাদর্দ পিবি হায়বগী মরমদা ইজবনি ঈশ্বরনা পেনবিরগা তাইবং মীওইবা পুম্নমক্না নুংঙাই য়াইফে অমদি পুন্সি নুংশাং অমসুং হৈরাং লৈরাংগী ফজবা মতিক মগুনশিং শিংথাদুনা ইজবনি।

মসিদা শৈরেংগী শরুক খরা অমসুং রারেংগী শরুক খর অসিনা "রারেং শৈরেং পোমশাৎনবা" ওইনা পুথোকচবনি।

অইবা

তাং ২২। ১। ৮৬ ইং

ৱারেং শৈরেং লোমশাংনবা

শৈরেংগী শরুক

শৈরেং ১

মাধবী

লৈরাং কোলোই মাধবী.
কোলোই মিংলেন মাধবী
উরী ওইনা হৌনলৈ,
উপাল রাপালদা য়েংনলৈ।
মপাল ঙৌনা শাংনলৈ,
মপাল শাংলগা লৈনমলৈ,
লৈহী চেনবী মাধবীলৈ,
খোইমুনা খোইদবা লৈরাংলৈ।
খোইমু ইন্না ঙান্নলৈ,
তুমিং মশেক্লা ঙান্নলৈ,
ম্না অহিংবা মান্নলৈ.
তুজাগী শমজিদা ঙান্নলৈ,
উপাল রাপালদা ঙান্নলৈ,
পামেল উজাওদা য়েন্থুনা কানলৈ,
ৈলনম্না পুক্লিং হুনলৈ,
লৈমন চনলগা কেম্নলৈ।
লৈমাই থক্তা কেম্নলৈ;
লৈরাং পুশি লোম্নলৈ,
মপুগী থুংশেম উংনলৈ,
মপুগী কোলোই শকনলৈ,
লৈরাং ওইনা কেম্নলৈ।

চৈরাওবা

শক্তিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা ইপুনাৎলৈ
শক্তিবু নোংমা পানবা চৈরাও মুমিৎলৈ,
ইপা-ইপু ইনাৎ-লিচৎ চৈরাওলৈ,
লৈমাবা তুমাবা লৈশেম্বা-তুশেম্বা থুরুমলৈ
লাইনিংথৌদা শিদা অথেনপোৎ কৎনলৈ.
ইমা লৈমরেন শিদবীদা শিদা অথেনপোৎ কৎনলৈ
লাইনিংথৌ স্নামহিদা কুপ্তমলৈ, কোম্বীলৈ লৈবি কৎনলৈ
ইমা লৈমরেন শিদবীদা হৈরাং লৈরাং কৎনলৈ,
লাইনিংথৌ স্নামহিলেন লৈমরেনদা থুকমলৈ।
অহাওবা অথেনপোৎ তমনলৈ,
মুংঙাই য়াইফ মঙোল নিনলৈ,
অহাওবা চাকলেন থোংমলৈ,
থোংগান থোংগানদা লাইরুক কৎনলৈ
ইপা ইপু পুরোল তয়েৎমকপু থুরুমলৈ,
লৈমাবা তুমাবা লৈশেম্বা তুশেম্বা,
থোংবান লানলুম্বা লৈরুক শাথৌববু থুরুমলৈ,
লৈই তরেৎ চিংলমলৈ,
হননা য়েংবদা চংলকলৈ।
চহি কুমজা অমা লোইয়ে থোংলোকলৈ,
কোম্বীলৈ কুপ্তমলৈ লৌরি চৈরাওলৈ,
গুরুনা চৈরাওলৈ হায়না মিথোলনে।
অনৌবা চহি হৌদোৱে থোংলোকলৈ,
চহি কুমজা অমা লোইয়ে থোংলোকলৈ।

কোনবীলৈ কুশুমলৈ লৈরিনা অম্বুম্বী কোংদোকলৈ,
কোনবীলৈনা মন্থু তাইবং মীবু কোনশিন্নলৈ,
ইপা-ইমানা কোনবিবশুম কোনবিলৈ,
অনা-অয়েক অল্লা অমা পুম্বদা কোমবিলৈ,
চহি কুমজা অমা কোনবিবা খঙলৈ।
কুশুমলৈনা চহি কুমজা অমা শুরে খংমলৈ,
চহি অমা মপুং মরা ফারে ছায়বা কোংদোকলৈ,
চহি চহিগী কুম শুবদা কংনলৈ,
কুশুমলৈনা কুম শুরে ফোংদোকলৈ
লৈরিনা চহি অমা অমুক লৈরি খংনলৈ,
অনৌবা চহি অমা লৈরি তাকলৈ,
অনৌ চহি অমা লৈরি তাকপালৈ,
তাইবং মীনা অরাংবা কানলৈ,
চীংদা কাহ্নুনা চীংঙু মহাদেব খুরুমলৈ
চীংদা কাহ্নুনা মপুগী কোলোই শৌননলৈ,
মপুগী মিংথৈ শক শোনহনা তানলৈ,
চাওখৎপা মুংঙাই য়াইফবা নিনলৈ,
হেন্না হেন্না মুংঙাই য়াইফবা নিনলৈ।
পুন্সি-মুংশাংবা মুংঙাই য়াইফবা নিনলৈ,
চহি কুমজা অমা মুংঙাই য়াইফবা নিনলৈ,
মপু মানা পেনহনা মঙ্গোল আশির্বাদ পিমলৈ,
মঙ্গোল কংবনা মুংঙাই য়াইফবা ছিংমলৈ,
মপু মানা খুদম মাওনৈ পিরলৈ
লাইনিংথৌ গ্নামহিন্না মচা মপুশু চেংনা চান্না কোনশিনলৈ
লাইনিংথৌ লৈমরেননা মন্থু তাইবং মীবু কোনবিলৈ,
তাইবং মীনা অহাওবা চাকলেন চানলৈ,
চহি কুমজা অমা অহাওবা চাকলেন্না পুনদোমলৈ, ॥ ★

শৈরেং ৬

মমামগী চৈরাওবা

ঘুম-কৈ তরু তনান শেংদোকলৈ,
ফিবোল তরু তনান শুদোকলৈ.
লুবা নানবা সুমিং পালনলৈ,
চৈবাও চাকলেন মথেন য়াম্নলৈ,
মমলোন কৈবোন্নবা লাম্নবা চানলৈ,
সুংশিননা চামিন থকমিনবা নিনলৈ,
খুংনচৈনা পুম্বা তোঃলৈ.
অমত্তা ওইবা মডাললা ডাননলৈ.
লিংজেন মাননবা ফোংদোকলৈ,
পুকচেন থোই জন তিম্নবা নিনলে,
সুমিং মঙাললা মালেমদা ডাম্নলৈ.
মমু ত ইবং মীনা রাদা অর অনা শিন্নলৈ.
চহি কুমজা অমা অরাবা পুম্বা পুহিং নিন ল.
শিম পৈর পুন হায়না রা কৌনলে ।
রাখোংদা রানং-র পন ফ বৎ মা চাওখৎপ নিনলৈ.
চাওখৎ মুডাইবা মঙ্গোল নিন্নলৈ.
অরাবা পুম্বা মপুগী মিথৈনা শিম ল,
শিন-পরৈনা খুদম মঙাল পিনলৈ,
মথাই থাইনা মৈহৌরোনগী রারী হৌনলৈ,
রানা রাপনফারগা চাওখৎলৈ ॥

মপুগী লন থুম ৱাক্ত পদনবা নিনলৈ,
লৈবাক তৌদুনা ৱা.খাং থোনগৎলৈ,
অকবা মঙ্গোল আশির্ব্বাদ নিনলৈ.
মচাক মরল চাওখৎপা পিনলৈ
মুংঙাই য়াইফবা পিনলৈ,
অৱা পুম্বা ৱাদা শিন্নলৈ।
লৈবাক্তা খংনবা ৱ'ফমলৈ,
ৱানা অৱাবা পুই হায়নলৈ
ৱানা তাইবং মীগী অৱাবা কোকনলৈ
ৱা হায়না মিংলেন থোনন'ল।
ইপা ইপু লাইৱা ইয়েকলৈ.
ময়েক লানা তাইবংদ উৎনলৈ,
অৱাবা পুম্বা ৱাদ শিনলৈ
ৱ পান উপান শেমগংলৈ
লেমলৈ ঙামুনা উশিন পুঙ্গ্রিদা থানলৈ,
লেমলৈ ঙামুদ তাইবং মীগী ফত্তবা দশা লাংকম পুম্বা শিন্নলৈ
লেমলৈ ঙনা অত্র অনা পুম্বা পুনলৈ।
হৈপাল লৈপাল শেমগংলৈ.
মপুগী থৌগল য়াওনলৈ,
ইংখোন শংবন শেমগংলৈ,
চৈ পাইদুনা লাওনলৈ,
থাইনা মমাংঙৈগী ইনাৎ লিচৎলৈ,

চৈরাও মিংলন থোম্বলৈ।
শজিবু চৈবাও লৈকৎলৈ.
মপুগী মিংথৈ শোম্নলৈ,
হৈকৎ লৈকং লুককৎলৈ,
ধুপ থাওমৈ কৎনলৈ.
ইপা ইপু পুরোন তরেৎলৈ.
তরেৎ মকপু খুরুমলৈ
চহি কুমজা খুদিংলৈ,
মপু মাগী শিন্থালৈ,
মপু মাগী চুথাংলৈ,
চারোন শুবোম্না খুরুমলৈ ॥
ইপা ইপু পুরেন পোকপবু খুরুমলৈ,
মপোক য়াওন নিংশিংলৈ
ইপা ইপু চাবোন শুরে'ল'ল.
তৎন থানা য়াদলৈ.
মথং মথং পোরলৈ
মপোক য়াওন কুমশিংলৈ.
কুমশিং চহি হাপ্পলৈ
চহি চহি কুমশিং পানলৈ
চহিনা চহি হাপ্পলৈ,
চহিগী হৈকৎ লৈকৎ পাংনলৈ,
ইপুনাৎ ইপানাৎ লৈকৎলৈ,

ইপুনাৎ ইপানাৎ নিংশিংনৈ,
ইপা-ইপু কুমশিং পানলে.
থোঙ্গালদা লুকৎ মফম শেম্লৈ,
লৈরিনা পরেং লৈরাংলৈ,
তরা মথেন লোইরগা কৎনলে
থোঙ্গানদা লুকৎ ক'নলৈ।
লৈশেম্বা তুশেম্বা লৈমাবা তুমাবা খোংবান
লানলুমবা 'লবক শাথৌববু খুরুমলৈ,
চহি কুমজা অসিমগী মুংঙাই য়া'ফবা নিনলৈ,
পোকলেন পোকপবু খুরুমনৈ;
তাইবং মপুবু খুরুমনৈ,
ইপা ইপু পুরোন তরেৎমকপু খুরুমজ
ইপা-ইপু পুবোন তরেৎলৈ,
তরেৎমক্কী লৈই তবেৎ চিংলমলৈ.
লৈই চিংবা লোইরগা খুরুমলৈ,
ইপা ইপু পুরোন তরেৎমকপু নিংশিংলৈ,
ইপা ইপু পুরোন তবেৎমকপু খুরুমলৈ।
নচা নঙনা ঙসি কোয়ৌ চুমিঙা
তারা-লুক কোই তমনলৈ.
মপু মাগী মিংথে শোম্নলৈ,
অন্না-অনা অনা অয়েক কোরুলৈ,
অহাওবা চাকলেন তম্নলৈ,

পুন্সি মুংশাংবা নিনলৈ।
মচা মরন মথুম নিজবলৈ,
মুংঙাই য়াইফবা নিজলৈ,
মচাক মরন নিজলৈ
ফমবান লানখোং ওম্বা নিজলৈ।
ফমথোন কাবা নিজলৈ,
পুন্সি তোলোইবা নিজলৈ,
মপু ইবুংঙোনা কুবিখৈ,
মা য়াথং কোলেইলৈ,
ইপা ইপু পুরোন তরেংমকলৈ,
তরেংমকপু খুরুমলৈ।
লৈই তরেং লৈবাক্তা চিংলমলৈ,
হন্না য়েংদনা চংলকলৈ।
মুমিদাং রাইগী থোবমলৈ
তিনমু লাইমু ফত্তবা তানথোকলৈ,
য়েংশবী মখোং তত্থমগী হায়মাক
য়াইঙং চেং তোংললৈ,
তোংল তোংলে চেন্নুনগী চাইথোকলৈ,
লাইনিংথৌ মামহিগী য়াথংলৈ
চংখ্রো চংখ্রো তিনমু লাইমু তানথোকলৈ
চিঙ্গাক পিরে কুমসি কুমগী হায়মলৈ,
নয়ুম মরাংয়াইদা হনখ্রো হায়বলৈ।

চহোঁল পুখা চাইথোকলৈ,
খোজাল লোমদা খোক্নুনা তানখোকলৈ.
তিনমু লাইমু পুখা চংখিলৈ।
খোইহুমে মাগী চিজাক পিনলৈ,
চহি কুমজা অমগী তমনলৈ,
চিজাক পিরে চংলোটৈ,
পুজি হুংশাং নিমলৈ,
হুংঙাই রাইক নিনলৈ,
চৈরাও লাইগী থোরমলৈ,
থোরম পরেং পাংথোকলৈ।
হুগিদং ভুমলমদাইগী থোরমলৈ,
হরিনাম শোনহনা খোইদৌদা খুৎনা লৈশিনলৈ,
খোইদৌ চেংজি হায়না শোয়লৈ,
মগু তাইবং মীগী মীতমলৈ,
মপুগী কোলোই শোননলৈ,
শিঙ্গা পনখোং পাংনলৈ,
মপুগী খোমন পাংনলৈ
চহি কুমজ কুনওনলৈ,
অনৌবা চহি হাপনলৈ,
মথংগী হুজিনা শিনহেনবা কৌনলৈ.
থকক থজা পুখা লেজা থবলৈ।
অনৌবা চহি হৌবা থবলৈ,

মুন্নিং শিংবুম মঙানি ফাওবা গুম্বন য়াংকোং পাইদলে
মঙানি গুবা মুমিন্না তলকং লুকলেন কংদলে.
লাইনিংথৌ লৈম.রনদা. তলকং মুন্নিং কৌনলে.
মুমিদাংদা তলকং খৌরম মঙ নি মুবদা পংনলৈ,
চহি কুমজ শিনগী য়াগু পাদবা নিনলৈ।
লাইনিংথৌনা নচা ননাইবু কোনবিয়ু নিনলৈ,
নরুম থগুনা হিংজগে নিনলৈ,
লাই তিন কন্তবনা পুবিহনগম নিনল্লৈ,
নচা নগুবু চেৎনা চান্না কোনশিনবিয়ু নিনলৈ,
লাইবু হেনবা অমা লৈতরে।
লাইনা মহু তাইবং মীবু থাগোনবিলৈ,
শিবা নাবা খোক্তলে,
পুঙ্গি মুংশাংবা নিনলৈ.
চৌংগু মহাদেবগী বর নিনলৈ
মরন মথুম পুম্বা পীনলৈ,
চহি কুমজগী খৌরম লোইনলৈ।

শৈরেং

থম্বাল

লাইজ লৈবাং থম্ব লগে,
লাইজ ইরৈ নমুদা হৌবী থম্বললে.
কোয়ৌস্নবা ভাঁললিঙ্ঙবা ভাম্নলে.
মালেম লৈখোমজুংদা থানলে.
পুথ্রী পাক্তা লাইজরেনদা হৌনলৈ.
লাইজ শীপানলাংদা হৌনলৈ.
লাইজ কংলগা হৌদলৈ
কুমগী নোং লাক্লগা হৌনলে,
লাইজ তরংদা থম্বাল পোম্লৈ.
নোংমা নোংগী অম্নম অম্নম চাওরকলে.
থম্মা খেনজোং মনাক্তা হৌনলৈ.
থম্মা লক্তা থম্বাল পোমনলে,
লাইজ থক্তা কাঁয়কলে,
নোংমদোল লিক্লনা চৌইনলৈ.
কোয়ৌহনবী মশেক্লা শংনলৈ.
য়েংবী পেনবী নাহললৈ
কবিগী পুরিং ভমহৎলৈ.

রাখল ইংপ্পামদা তাওনলে.
রাখলগী ইচেন্না ইনলে ॥
অঙ্গাল, থরো, থাম্বিকথা, লাইজ লৈরাংলল,
লাইজ লৈরাং লৈনমচুংশিল,
লাইজ ইপাক্তা শাংগী লৈরাংলৈ,
চেক্রুগা লৈশংদা তাম্নৈ.
ত উবং মপুগী থম্না থম্বালদা তান্নলে.
নামিবা মল্লায়না হুমবদা জগোই থেক্লৈ.
লৈরাং লৈখোক লোইরগা কেন্নলে,
লৈরাং লৈনা লাইজদা তাওনলে,
লৈরাং থমচেং মীতমলে
নোংমা নোংমগী থমচেং মপুং ফংলে.
থমচেং য়ানবা থম্বাললে
থমচেং য়ানদবা থম্বালদে
মথন মথা য়াম্লে.
মচু মথন য়াম্লে.
অঙৌবা মচুগী থম্বাল্লে,
অঙাংবা মচুগী থম্বালদে.
থম্বাল চাম্বা নিংথৌ থম্বালে।
থম্বাল অঙাংবা থমচুংলে.
থমবৌ তাথা থম্বাল্লে
মীরমকেনগী থৌনা [illegible]

শৈরেং

লৈরাং থম্বাল লৈকংলৈ,
মপুম্বী থৌদোক্তা কংনলৈ;
তাইবং মীম্বী চিক্লাক পিনলৈ,
থম্না লৈকোন চানলৈ,
থম্না হেক্তুনা লালুক শেমনলৈ।
থমবৌ তানথুনা চানলৈ,
থম্না থম্বাল য়োনথুনা চানলৈ,
থমচেৎ হেক্তুনা চানলৈ
হৈরাং হেক্তুনা য়োম্নলৈ
তরা চেংজেন পুনলৈ.
অরাম খৌরাং কোক্ললৈ.
থম্বৌনা হৈরুক কানলৈ,
অহাওবা চিক্লাক ওইনলৈ,
কায়ে কায়ে থম্বালনলৈ
খোইমুনা লৈহী চুপলৈ.
খোইমুনা লৈহা থিনলৈ,
লৈহীনা খোইহী শেমনলৈ,
লৈনম্না লৈকাই পনলানলৈ।
লাইজ লৈরাং কান্নলৈ,
তাইবং মপুম্বী থৌদোক্তা কংনলৈ,
লৈরাং ওইনা লৈকংলৈ,
হৈরাং ওইনা হৈকংলৈ,

লমাই ১৪

থম্বৌ [illegible]

থম্না [illegible] কাৰক [illegible] [illegible] ।

লাইজ তরংদা [illegible] [illegible] কাপৈ,

লাইক [illegible] [illegible] [illegible]মলৈ

পুন্সি মহৈ [illegible]

মপুগী [illegible] [illegible]

তাইবং মীগী [illegible],

খোইমু কয়া [illegible] [illegible]

কবি কয়াগী [illegible] [illegible]

লৈরাং [illegible]

থম্না লৈকো [illegible]লৈ,

থম্বৌ [illegible]

থম্না লৈকো [illegible]লৈ,

খোইমুগী [illegible] [illegible],[illegible]

তাইবং [illegible] [illegible]

পুন্সিগী [illegible] [illegible]

শিংথা [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

নোক্ক [illegible]

অহিংদা [illegible] থরোলৈ,

অচিং [illegible] থরোলৈ,

[illegible]

মাইজা মানিং পৈমা থকালৈ,

মালেম লৈবোম পেমা চানলৈ,

হয়োনমুংদা হোবা থরোলৈ,

মালেম লৈবোমমুংদা পানলৈ,

লৈবমুংমা হোবা থরোলৈ

লৈবক দিনোমবাদ হোনবা থরোলৈ,

থরানা লৈবোমদদা জীক চুমালৈ;

মতু খাইনা শাংপী থরোলৈ.
লৈয়াংনা লইজ ইপান লাংনলৈ।।
লৈরাং মহোঁয় চোংনলৈ.
লাইজ লৈখোমদা হৌনলৈ.
লাইজ থক্তা ডাম্নলৈ,
মালেম থক্তা ডাম্নলৈ,
থরো অম্থম চাওয়কলৈ;
থরো পুম্নম মঙালনলৈ,
থরো লৈশা তমলকলৈ,
মপুং-শয়া কায়কলৈ।
লৈনম চাওবী থরোলৈ,
মালং তাম্বা ডাইনলৈ,
রিরি খোংলোই ডাইনলৈ,
অচিকপদা থাজগা চান্নলৈ,
মোমোন মোমোন নোক্কলৈ.
লৈকা ইকন ইকন কননলৈ,
অয়ুক মেনদা অঙনবদা ডান্নলৈ
কোয়োহনবু উবদা ইকাইলৈ।
ইকাই হলোই পুমবুমলৈ.
নঙ্গিংদা লৈকুম কনবী থরোলৈ,
ঙংখিনবা চিংখিনবী থরোলৈ,
থাবী থানৌবী লৈকংলৈ.

সুপ্না কৈথেনদা য়োল্লৈ,
তাইবং মীনা লৈনবৈ,
তাইবং মপুদা ক্বংনবৈ,
মরিনা চিঙ্গাক ওইনবৈ,
থরো মরি চিঙ্গাকলৈ
থেনবুংনা চিঙ্গাক ওইনবৈ,
লেনকুনা চিঙ্গাক ওইনবৈ.
কান্নে কান্নে থরোলৈ।
তাইবং মীবু য়োকলৈ,
অরাম খৌরাং কোকলৈ.
লৈরাং লৈকোন লাইজলৈ,
কজে নিংথিজে থরোলৈ,
মচু মখল য়ান্নালৈ,
থরো অঙাংবা মখলৈ,
থরো অঙৌবা মখলৈ,
থরো অঙৌবা চানবৈ,
শেংজু মচন ওইনবৈ.
লেমকু তানজুনা চানবৈ।
পাত্তা শাংপী থারোলৈ,
মপুন্না খৌগন পাংনবৈ,
তাইবং খৌদোক্তা য়াওনলৈ,
তাইবং মীগী কান্নলৈ।

শৈরেং ৫

লৈহাও

লৈনম চাওবী লৈহাওলে,
পামেন ঊজাও লৈহাওলে,
মালেম লৈকংলাদা হৌবী লৈহাও
তমপাক্তা হৌবী লৈহাওলৈ
চীংদা হৌবী লৈহাওলৈ
লেকোনদা হৌবী লৈহাওলৈ;
থারগা হৌবী লৈহাওলৈ.
মকনা হৌবী লৈহাওলৈ.
মালেম লৈহাওদা হৌনলে,
কুমগী নোং লাক্লগা থানলৈ,
মালেম লৈহাওদা চাওনলৈ,
লৈনম্না লৈকাই পন্নলানলে।
ঋতু খাইনা শাৎনলৈ,
শাকী শানোনা হেংকনলৈ,
মা কৈথেনদা য়োমলৈ,
লাইগী খুয়াদা ভাগ্নলৈ,
মুজাগী শমজিদা ভাগ্নলৈ,

নৈশাগী শমলাংদা ভাম্লৈ,
মীওইবগী নাপদা ভাম্লৈ,
পুক্রিং মকা লামনলৈ।
মনম্মা পুক্রিং হুনলৈ,
মউনা উপালশিংদা চম্লৈ,
অকনবা অফবা উগীশিংদা চম্লৈ,
পামেন উনওক্তা শাৎনলৈ,
মপালনা লৈরাংশিংদা চননলৈ,
তাইবং মীনা হেক্লৈ,
মপুগী চরনদা কংনলৈ,
তাইবং থৌদোক্তা য়াওনলৈ,
তাইবং মীনা পাম্লৈ,
মপু মাগী খুৎশেমলৈ ॥
লৈহাও লৈরেন শিংথালৈ,
মনম্মা পুক্রিং মমহৎলৈ,
নাপদা চিনবা য়ানলৈ,
শমলাঙ্মা থেৎপা য়াল্লৈ,
শম্মক লৈরাং ওইনলৈ,
পরেং লেংকনা শিনলৈ,
য়েংবগী শেন্নবা ন্নাইদলৈ,
তাইবং মপুগী মীশীদমক্তা হৌবলৈ।
লৈহাও লৈরাং লোম্লৈ,

নোংমদোন শিক্লনা চোংনলৈ.
কোয়ৌহুনবগী মশেক্লা য়েনলৈ,
ম্না অহিংবা মাম্না লংনলৈ,
পুক্লিং লৈরাং য়াকাইলৈ,
মণি মুক্তাগুম ওাননলৈ।
মিংকী জগোই শানলৈ,
ফজবা নিংথিবা পুম্বনা তিম্নলৈ.
লৈরাং লৈকা ফননলৈ,
মালং লৈকা ফননলৈ,
মালং শহমনা য়াকাইলৈ,
লৈনম মালংবনা পুনলৈ,
মীওই পুক্লিং লৈনমলৈ.
লৈরাংনা লৈকা ফন্না শাংনলৈ,
ওাইহাক পুংগোই ওাম্নলৈ;
মালং শাহমনা কেনবলৈ,
লৈরাং পুক্তি কেমনলৈ,
ম্না খুংনা হেকনলৈ,
মপুগী চয়নদা কংনলৈ,
মপু মাগী থোগনলৈ।
মনা চাবা য়াদলৈ,
মকৈ চাবা য়াদলৈ,
উপালনা উবাক থাইনলৈ;

য়ুম-কৈ শানলৈ,
উলু কাংখোন চননলৈ,
থোং চনহুনা হাপ্পনলৈ,
লৈরাং ওইনম্ন কাম্নলৈ,
উপান ওইনম্ন কাম্নলৈ,
পামেন উজাও লৈহাওলৈ,
মউ চাওবা লৈহাওলৈ,
লৈনম চাওবা লৈহাওলৈ,
অকনবা অচংবা উজাওলৈ,
লৈরাং ওইন কাম্নলৈ,
মউ ওইনা কাম্নলৈ,
তাইবং য়োকপা লৈরাংলৈ।।
মীওইবগী থোদোক্তা য়াওনলৈ,
মপুগী থোগন্দা য়াওনলৈ,
মীওইবা সমাজ শেমগংলৈ,
চাওখৎ থোরাং পাংনলৈ ।।

শৈরেং ৬

কুশুমলৈ

কুশুমলৈ, লৈকংলাগী কুশুমলৈ,
লৈরাং মিংলেন কুশুমলৈ.
মালেম কাংলগা থানলৈ,
লাইজ ইপাল লাংনলৈ.
মরুনা মালেমদা থানলৈ,
মরুনা থারগা ছৌনলৈ,
কোকোম তৌবা য়াদলৈ,
শজিবু চৈরাওদা কংনলৈ,
কুমজা চহি শুরে ত.কনলৈ
অনৌবা চহি লাক্লে থংনলৈ,
চহি কুমজা মপুং কারে থংনলৈ,
কুম শুরে কুশুমলৈ,
কুমজ চহি লোইরে কুশুমলৈ,
অনৌবা চহি হৌদোরে কুশুমলৈ,
শজিবু চৈরাও মুমিত্তা কংনলৈ,
য়ুমথোং খুদিং কংনলৈ,
অনৌবা কুমজা য়াকাইলৈ।

ভাইবং চহি হাপনলে.
অহাওবা চাকলেন তমনলে,
শজিবু চৈরাও নংনলৈ,
লাইনিংথৌ স্নামহিনা পামনলে,
লৈমরেন ইমা শিদবীনা পামনলে,
চৈরাও লাইনা পামনলে.
স্না অহিংবা মানবা কুহুলে,
নোংমদোল লিক্লনা চোৎনলে,
কোরৌহনবগী মশেক্লা ভাম্নলে,
মণি মুক্তা ভানবঙম ভাম্নলৈ,
ইরুং ইরুং লংনলৈ.
মিংফম হোংবা য়াদলে
পুক্লিং ঙমহৎপা লৈরাংলৈ;
পুন্সিগী চহি হায়লে।
লৈরাং লৈচন চননলৈ,
মপুগী থৌগন য়াওনলে।
লোইদাম থাশিং ঙনলৈ.
চহি চহিগী থ'নলে,
পামেন চাওদ কুণ্ডমলৈ,
চহি অমদা শাৎনলে.
শাৎল শাৎল কেম্নলৈ,
মরু মরুদ য়াওনলৈ,

শৈরেং

লমাই ২৪

মরুনা হুনবা কুত্তমৈল
লৈরাং নাচোম শেমনৈল,
মুজাগী শমজিদা ওংমৈলে.
শাবী শানৌশিংগী নাপদা চিম্নলৈ,
নিংথম ঋতুদা থানলৈ.
হৌর চাওর শাৎনলৈ,
পুন্সি লৌইর কংনলৈ
মা কৈথেনদা য়োননলৈ.
শেন্থোক লৈবা লৈরাংলৈ,
মীপুম খুদিং লৈনলৈ,
চৈরাও মুমিংকী লৈরাংলৈ,
মুমিং শিংবুম তার তারলৈ
কুমজ্জ চহি লোইরে তাকুলৈ
অনৌবা চহি য়াওনলৈ,
অনৌবা পুন্সি হৌনলৈ।।

শৈরেং ৭

কোনবীলৈ

লৈরাং মিংলেন কোনবীলৈ,
লমফেল পাৎকী কোনবীলৈ,
পাত্তা শাৎপী কোনবীলৈ,
ইপা ইপুগী শৈশকলৈ,
চৈরাও লাইদা কৎনলৈ,
লাইনিংথৌ স্নামহিদা কৎনলৈ,
লৈমরেন ইমা শিদবীদা কৎনলৈ
তুমশিবোংদা চৈরাওবদা কৎনলৈ
শজিবু থাদা শাৎনলৈ,
শজিবু চৈরাওদা য়াওনলৈ,
চহিদা অমুক শাৎপলৈ,
লৈরাং লৈশা তমনলৈ,
মালং তানথদা য়াকাইলৈ,
মালং ইগোমদা শাৎকাইলৈ,
তাইবং মীনা হেক্লৈ,
স্না খুত্তা ওাননলৈ,
স্না কৈথেন্দা কৎনলৈ,

ম্না কৈথেনদা য়োননলৈ
মীপুম খুদিং পায়লৈ,
মীপুম খুদিং লৈনলৈ
চৈরাও মুমিত্তা কংনলৈ,
মপু মানা পেন্নলৈ
মপু মানা পায়লৈ।
মুমিং শিংবুম ভনলৈ,
চহি লোইরে তাক্লৈ
অনৌবা চহি হৌনলৈ।
চীংদা হোবা কোনবীলে,
চীংদা শাংগী কে নবীলৈ,
চীংডু মহদেবনা পায়লৈ,
চৈরাও লাইনা পায়লৈ,
পুক্সি থোদাং পাংনলৈ,
লৈরাং ওইনা কান্নলৈ,
চাবা য়াদ লৈরাংলৈ,
চিক্সাক ওইবা য়াদলৈ,
নাচোম নাচোম শেমহনা ভান্নলৈ
শবী শানৌগী নাপনা চিন্নলৈ,
লৈরাংগী জাত্তা লোন্নলৈ,
পাম্বী চাওব লৈরাংলৈ
ভাইহাক পুংকোই ভান্নলৈ,

তাইবং চহি হাপ্পলৈ,
মপুন্সী কোংলাই শোরলৈ,
নুংভাই য়াইফ নিনলৈ,
অন্না-অনা কোক্লৈ.
অনা অয়েক কোক্লৈ,
পুক্নিং লৈরাং য়াকাংলৈ।
পুন্সি য়াওন লংনলৈ,
মীপোক খুদিং হল্লাওলৈ,
মীবু য়োকপি কোন্নবিবা থংনলৈ
ইপা ইমা শকপী লৈরাংলৈ,
তাইবং মীবু কোনবিবা লরাংলৈ
অন্না অনাদগী কনবিলৈ,
পুন্সি নুংশাং পিনলৈ ॥
অহাওবা চাকলেন পিনলৈ
মুনিংনা ভাল্লিঙৈদা ভাম্নলৈ.
মুমিং থা শুনলৈ,
চহি অমা কোনবিলৈ,
লৈমাই থক্তা কেম্নলৈ ॥

শৈরেং ৮

লৈরি

কুশুমলৈ, কোনবীলে লৈরি,
শজিবু চৈরা ওবদা কৎনলৈ,
শজিবু খাদ শাৎনলৈ,
চৈরাও মুমিত্তা কৎনলৈ,
লৈমারেন মামহিদা কৎনলৈ,
চহি খুদিং চৈরাও লাইদা কৎনলৈ.
য়ুমথোং খুদিং কৎনলৈ,
থোঙ্গাল খুদিং লৈতেংলৈ,
লাইগী লাইরক কোইনলৈ,
লৈরাং পৈকোন শেমনলৈ,
লৈরাং কুচু ভৌনলৈ,
পামেন চাওনা হৌনলৈ,
উপাল ওইনা কৌনলৈ,
চহি কুইনা হিংনলৈ,
শজিবু চৈরাও মুমিৎলৈ,
চহি লোইরে তারলৈ
অনৌবা চহি লৈরি তারলৈ,

চৈরাও লাইহেম্বা লাইরেম্বীদা কৎনলৈ,
চহি লোইবা থংনলৈ;
অনৌবা চহি অমা হাপ্পলৈ,
অনৌ অনৌবা চহি হাপলৈ,
চহি হৌবা থংনলৈ,
চহি অমা মপুং ফারে থংনলৈ,
চহি লাংদাইদা কৎনলৈ,
অনৌ পুন্সি য়াকাইলৈ,
অরা-অনা কনবিলৈ,
চাকলেন ঙুকলেন তম্লৈ,
মথেন য়াম্না চানলৈ,
মীপুম খুদিং চাম্লৈ,
থংন চৈনা ভৌনদলৈ,
হুংঙাইবা মপুং ফানলৈ ॥
পুন্সি হুংশাং নিনলৈ,
হুংঙাই য়াইফ মিনলৈ,
অরা-অনা কোক্লৈ,
লৈরিনা অনৌবা চহি অমা লৈরি থংনলৈ,
অনৌবা চহি কুমজা লৈরি তাক্লৈ
চারোন শরোন লৈরি থংনলৈ,
চারোন শরোননা কৎনলৈ,
পারি পুরি লৈরি থংনলৈ,
ইপানাং-ইপুনাংনা কৎনলৈ

পাং ইপুবু থুকনলৈ ॥
পুরোন তারেংবকপু থুকনলৈ,
লৈই তরেংনা শাক্লিলৈ,
হম্না য়েংদ চংনলৈ,
চৈরাও হুমিংকী লৈরাংলৈ,
বাত্ত পাদরবু থংনলৈ ॥
মুংঙাই য়াইকবু নিনলৈ,
লৈরিনা তাইবং লৈরি থংনলৈ
মুংঙাই য়াইকনা লৈরি থংনলৈ,
পুজি মুংশাংনা লৈরি থংনলৈ,
মপুগী থোগন লৈরি থংনলৈ ॥



শৈরেং ৮

অদোর গুলাপ

লৈরাং মিংলেন আদোর গুলাপলৈ,
লৈরাংশিংগী রানী হায়না মিংচৎলৈ
লৈবাক্কা লৈরাংগী রানী হায়না শোয়লৈ,
আদোর গুলাপ মিংচৎলৈ.
মমিং চৎপী আদোর গুলাপলৈ,
লৈনম চাওবী লৈরাংলৈ.
লৈথন য়াম্বী লৈরাংলৈ,
মচু য়াম্বী লৈরাংলৈ,
অঙৌবা, অঙাংবা নাপু মথন'ল.
লৈহী চেনবী লৈরাংলৈ.
খোইমু ইনবা লৈরাংলৈ.
লৈকংলা হৌবী লৈকংলৈ.
লাইজ ইপাল লাংনলৈ,
মখোং শোমহনা চাওনলৈ,
মালিনা লাইজ ইপাললৈ.
মালিনীনা হেকপা লৈরাংলৈ.
হেক্পা থুইরো হেকথুইলৈ
লৈরং হেক্পা মমুদা কংনলৈ,

মপুগী চরুন্দা ওাম্নৈ ॥
কবি কম্বানা লৈরাং মগুন শিংথালে,
ফ'জ নিংথিজে "ফুলনোংকী রানী" কৌনলে,
তিংথং শানবা তিংথংলে,
চাবা য়াদা চাদলৈ,
লৈরাং ওহুমদা কাম্নলে,
মশানা হোৌবা মশালৈ,
কোলোম শেমহুনা থানলৈ,
লৈবাক খুদিং হৌনলৈ,
লৈথন য়াম্বী লৈথনলৈ,
গুলাপ অথোনবী মথললৈ,
গুলাপ থোনদবী মথললৈ,
লৈথন য়াম্বী গুলাপলৈ,
লৈরাং ফ'জ নিংথিজে শোম্নলে,
লৈরাং লৈপুন শাংনলৈ,
লৈরাং মথন য়াম্নলৈ,
মথং মঙাও মাইকা শাংমলৈ,
মাঙাং ভানথাদা ওাম্নলৈ,
মাঙাং শাহুমদা শাংনলৈ।
মাঙাং ভানথাদা কেম্নলৈ,
লৈয়াং পুক্তি লোম্নলৈ,
ভাইহাক পুংলোই ওাম্নলৈ,
পুক্তি মঙাক তাকনলৈ,

শৈরেং ৮

কুন্দো

মালেন লৈকংলাগী কুণ্ডোলৈ,
লৈবাং মিংলেন কুণ্ডোলৈ.
কুণ্ডো হায়না লৈবাক্তা খংনলৈ,
তাইবং মীনা হেকনলৈ,
ম্না থুংনা হেকনলৈ,
লৈরাং পরেং লেংনলৈ,
শাবীনা মানজদা হুক্লৈ,
মু শি পনদোম লোম্নলৈ,
শাবী শানৌ লৈপুনলৈ
শরৌ পনদোম লোম্নলৈ.
মুংশি মশক তাকনলৈ.
য়াইফ য়ুম্বাল ফমফালনলৈ,
তাইবং মপুনা পাম্নলৈ,
তাইবং থোদোক্তা য়াওনলৈ,
ভৌবোক ভৌনা ওাম্নলৈ,
ইনৌ ইনৌ নৌনলৈ,
লৈরাং ওইনদা কাম্নলৈ,
মনা মহৈ চাদলৈ,
লাইজ ইপাল লাংনলৈ.
মালেম মখোং শোমনলৈ,
মুংতাই য়াইফ মাইয়োকনলৈ.

— — —

শৈরেং ৮

খোংজোম ডে তাং ২২-৪-৮৫ হৈং

ইপু পাওনা মেন্‌জোরলৈ,
খোংজোম লানবু থেংনলৈ,
বৃটিশগা লানবু থেংনলৈ,
তাং ২২ - ৪ - ৮৫ খোংজোমডেলৈ,
লৈবাকপোকপা অক্ষীয় তৃতীয়া নুমিৎলৈ.
নুমিৎ শিদা লৈবাকী শহীদশিংবু নিংশিংলৈ.
লৈবাকী অওম অখোনা হৈ ’ল কৎনলৈ,
ভারত সরকারগী ভাইস প্রেসিডেন্ট ভেঙ্করমাওনা
শহীদশিংদা হৈরাং লৈরাং কৎনলৈ,
ইপু পাওনা মেজোর নিংশিংলৈ,
খোংজোম লানবু নোংহৌনা নিংশিংলৈ
চিংলেন মাবুম নিংশিংলৈ.
খোংমী লানমী পুন্নমকস্থ নিংশিংলৈ.
চিংলেন মা খোংজোম লানদা শিথিলৈ .
মমা মচাবু কাইনা নুমিৎ নিংশিংলৈ
থরাই হকচাং কাইনা নুমিৎ নিংশিংলৈ,

হককচাং মালেমদা তিনখিবা নিংশিংলৈ
আত্মানা নোঙ্গা 'স্বর্গ' কাখিগা নিংশিংলৈ,
থরাই হককচাং কখোকপা নিংশিংলৈ।
দেশবু নুংশিবা জাতিবু নুংশিংনবা নিংশিংলৈ,
মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা উৎনলৈ,
মরৈবাক নিংবগী খুদম অরাবা উৎনলৈ,
মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা নিংশিংলৈ,
পাওনা মেজর লানলনলৈ,
বৃটিশ লানমীগা লানথেংনলৈ,
থরাই হককচাং কাইনলৈ,
শিবগী খয়াম্বা তাখিলৈ,
য়েক্কবা তম্না হোৎচিনলৈ,
য়েক্কবনা জয় ওইখিলৈ,
বৃটিশবু কিদনা লানথেংনলৈ।
বৃটিশ লানমীনা শহীদশিংবু হাৎখিলৈ,
অথোবা কয়া হাংখিলৈ
ঈনা তুরেন ইচেন ওইনা চেননলৈ,
ঈনা খোংজোম পুখ্রাং ভাংনলৈ
ঈনা খোংজোম তুরেন ভাংনলৈ,
লৈবাক নিংবগী ইচেনলৈ:
কাওবা কৌদ লৈরম্নোইলৈ॥
ইমা খোংজোম ভাংনলৈ:

খোংজোম ইমা কপনলৈ,
মিংলুদগী চগী পিরাংশিন্থলৈ,
কৈদৌমুংদা কাওদ্রলে।
খোংজোম ডে পালনলৈ,
নুমিং শিন্নু কাওদলৈ,
মীয়োন মীবোন নিংশিংলৈ,
চারোন শুরোন তিংশিলৈ,
নুমিং থানা ভাললিউ,
কৈদৌমুংদা কাওদলৈ,
ইচং থৌনা থৌগৎলৈ,
মুমিং অসিদা মণিপুর
সাহিত্য পরিষদকী
গোলডন যুবলী মুমিংলৈ,
ভাইস প্রেসিডেন্টনা মনা-মথুম
সাহিত্যকার কলাকার, অথোইবদা
যেনখোক্তনা পুক্নিং থৌগৎলৈ,
থৌনা পাক্লনৌহৌনা হাপলৈ।
লৈবাক্কী লোন, কলাবু পুক্নিং থৌগৎলৈ
ইজাতিবু মুংশিবগী ইরৈবাকপু কলনিংবগী
ইহৌনা মুমিং অসিদা কননল,
ইজাতি ইরৈবাকপু হেনবা লৈতলৈ,
তাইবংদা লৈতরে নিংশিংলৈ॥

শৈরেং

লৈবাকলৈ

লৈবাক্তা হৌবা লৈ লৈবাকলৈ,
লৈবাকলৈ মিংলেন থোননলৈ,
লৈমুংদা লেনক্ত লৈবালৈ,
থোংনা নৌবী লৈনালা
অকনবা মালেম থক্তা থিনগংলৈ,
লৈমাই থক্তা লৈরাং থিনগংলৈ,
লৈরাং লৈকা কয়া শাংনলৈ,
অশংবা য়েননিং হুবনলৈ,
মুংশিবা লৈনয়া য়াকাইলৈ,
লৈরাং লৈশা ভমনলৈ,
ডাইহাক পুংগোই ডায়লৈ
মীওই পুন্সি পানদমলৈ,
পুন্সি ইচেল চাংদমলৈ,
লৈবাক্তা কুইনা হৌদলৈ,
মালেম থক্তা শাংণা লৈ,
তাইবং মীনা লেকনলৈ,
মপুগী চয়নদা কনলৈ ॥
থম্মোই কনবী লৈরাংলৈ,
মরাং ফুরাং ফুফুলৈ;
থাংবা কনবী লৈরাংলৈ ।

[illegible]

উরিলৈ

লৈয়াং শিংলেন উরিলৈ,
লৈরেনম মুংশিবী উরিলৈ,
উরি ওইনা হোৎনৈ
উরিলৈ হায়না খোয়ুলৈ,
উদা বাদা য়েক্ন কানলৈ
উদা য়েংদ্রি উরিলৈ থোননলৈ
লৈরেনম মনম মুংশিলৈ,
শক্মুন উজাওদা য়েংনলৈ,
মহৈ য়ানরা উরিলৈ।
মকনা থাবা হৌনলৈ,
মনা মুক চারা য়াদলৈ,
লৈরাং ওইনদা হুমলৈ,
মপুরী খোংনদা য়াওনলৈ
মপুরী চৎনদা কৎনলৈ
লৈরুম লৈমায় পুননবা নলৈ।
লৈরেনম চাওবী লৈরুমলৈ,
[illegible]
[illegible]
[illegible]

পামেন উপানদা লৈজেলে,
[illegible] শর্মিজিদা [illegible],
লৈনবা চংনা লৈজুংশিলে,
নাপদা [illegible] [illegible],
লৈপুন ওইনা থাংনলে,
শাবী থাবৌশিংগী [illegible],
মনম্না পুক্নিং ইনলে,
মীগী থবোই তম্নাংলে,
লৈনমা থবোই হনলে,
মীনা শাইনা শাগলে।
মনম্না মিংচং থম্নলে,
পুক্নিং থমুম মথাং হৌরলে,
ঙাইবা মীওইবগী পুক্নিং হনলে,
লৈকলাগা হৌবী লৈকলে,
নাইজ ইশান শাংলে,
মথোং চেংইনা [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible],
[illegible]-পুক্নিং [illegible]-[illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শৈরেং

" চীংদা শাংলী ইঙেলনৈ "

"চীংদা শাংলী ইঙেলনৈ"
চীননদনা কেনখিবী ইঙেলনৈ,
কমলকইদা শীংজেল লৈরাং ইঙেলৈগন
নারঙা শাংলী ইঙেলনৈ,
তাইবং মীনা শিংথানৈ,
কবিনা শৈরেং ইননৈ,
বাখল ইশোমদা তাও নবৈ,
মীওই পুন্সি চাংদবা? ন,
তাইবং মীগী পুন্সি লোমখিবৈ
তাইবং মীনা খরদ উনদনবৈ,
লৈনম চাওবী লৈমুংখিবল,
লৈরাং লৈশা অমনবল.
শিজেল লৈরাং শাংনবৈ,
মালং তানখা মাকাইবৈ.
মাগী:বনা লৈনরু বাংনবৈ.
খোইমুনা লৈনম থুমনবৈ.
খোইমুনা লৈরী শিনবৈ,
লৈপাখা খোইমুনা লৈহী চুপনবৈ
চীংডু মহাদেববা শাবনাবল।

নাংক্তা শাৎপী ইঙেনলৈ,
পুন্সি মহৈ য়া বদনা কেন্নলৈ।
লৈরাংনা লৈখোক লোইরগা কেনলৈ,
মালং শাহুমদা কেননলৈ,
মালংবনাপ্ন কেনহনবা নম্ভলৈ,
লৈরাংনা লৈখোক লোইহনা কেন্নলৈ,
তাইবং মালংদা মিংলেন শোম্নলৈ,
লৈরাং লৈকা ফননলৈ,
খোইমু কয়া কাইদোংলৈ,
লৈরাং লৈকা কেননলৈ,
তাওজিং হৈরাং য়াম্নলৈ,
প ম্মুই পাম্মুই শিংঙেন লৈরাং ইঙেললৈ,
চাংদা শাৎপী ইঙেলালৈ,
চিনবিনবা য়াওদনা কেন্নলৈ;
উবিনবা য়াওদনা কেন্নলৈ,
তাইবং হৈরাং য়াওদলৈ,
মলোম মালেমদা কেন্নলৈ,
লৈরাং কোলোই ইঙেললৈ,
নারক্তা শাৎপী ইঙেললৈ,
খোইয়ুম মাপী মীতমলৈ,
বিথিনা তমলম্বা ইঙেলালৈ।
কম্নকইদে কম্নকইদে কম্নকইদে।

শৈরেং

"তাখেললৈ"

লৈরাং মিংলেন তাখেললৈ,
মালেম লৈকলাগী তাখেললৈ,
মথল মথেনগী কুচুলৈ,
অঙৌবা কুচুগী তাখেললৈ,
নাপু মচুগী তাখেললৈ,
অঙাংবা মচুগী তাখেললৈ,
ঋতু নাইনা ঙান্নলৈ,
কুচু কুমেন ফজলৈ,
য়েংবগী পেনবা নাইদলৈ,
মপুগী মগুনবু ফুগাইলৈ,
পামেন উজাও নগুলৈ,
লৈবাং লৈপুন শেম্নলৈ,
নাচোম নাচোম ঙান্নলৈ;
সুজাগী শমভিদা থেৎলৈ,
লৈরাং চবুন চবুন শাৎনলৈ,
লৈবাং পুমবুম পোমনলৈ;
লৈরাং লৈশা তমনলৈ
মালং য়াকাই ঙাইনলৈ,
লৈরাং পোমশাৎ ঙাননলৈ
মালং শাহুম ফংনলৈ,
অয়ুক অঙনবদা ঙান্নলৈ

তরং লাইজ শিন্থাসৈ;
মালং ইপোমদা হায়নসৈ.
লৈমা জংগোই শান্নলে,
পুৰিং হুন ফজাল।
কোরৌইহনবনা মালং ইপোমদা য়াকাইলৈ,
লৈনম ৱা. ৱা লৈমুংশিংলৈ,
ম্নমিংকী মশেল্লা য়েনলৈ,
লৈবাং লৈকা ইরং ইবং লংনলৈ,
লিক্লাগী মচুনা লংনলে.
ম্না খুৎনা হেকনলৈ,
মপুগী চরনদা কৎনলৈ,
লৈখোক লৈরাং তৎনলৈ,
য়েনদাই থম্না হাপ্নলৈ.
তাইবং থৌদোক য়াওনলৈ.
পুন্সি মঙান ওইনলৈ,
মপু মানা পেন্নলৈ ॥
লৈরাং ওইনদা কান্নলৈ.
চাবা য়াদ লৈরাংলৈ,
ম্না কৈথেনদা ঙান্নলৈ,
মপুগী চরনদা কৎনলৈ ॥
লৈরাং লৈখোক লোইনলৈ,
মালং শান্থমদা কেন্নলৈ,
লৈমাই থক্তা কেন্নলৈ,
লৈরাং পুন্সি কেমনলৈ ॥

ৱারেংগী শরুক

ৱারেং ১

কুশুমলৈ, কোনবীলৈ, লৈরিগী মপুংগী অর্থ অমশুং লৈরাং-শিংনা ফোংদোকপা ফজবা ৱারোন—

কুশুমলৈ—কু—শুম—লৈ,

"কু' না তাকপনা কুম হায়বদি চহি কুমজ অমা থংনৈ। "শুম" না কুম হায়বদি চহি কুমজা অমা মপুং মরা ফারে শুরে হায়বা থংনৈ।

"লৈ" না শিংডেন লৈরাং অশিবু থংনৈ, হিরম অসিদা লৈরাং অশিনা ঐখোইদা তাকই হায়ব থংনৈ, অহুনা চরাওবদা লৈরাং অসি কংনবনি, চহি কুমজা অমা মপুং মরা ফানা শুরে হায়বা লৈরাং অসিনা ফোংদোকই।

কোনবীলৈ—কোন বী—লৈ,

কোনবীলৈনা—পলেম ইমা শক্না লৈরাং অসিনা তাইবং মীওইববু কোনশিনবা থংনৈ, হায়বদি লৈরাং অসিনা তাইবং মীওইববু চহি অমা কোনবীবা ফোংদোকই, ইপা ইমানা কোনবিবশুম লৈরাং অসিনা মচু তাইবং মীওইববু কোনবিবা থংনৈ লৈরাং অসি পলেম ইমা শকপীনি হায়না থংনৈ।

"লৈ" না লৈরাং অসিনা মীওইবা ঐখোয়বু চহি অসিদা কোনবিচনা হায়বদি ইপা ইমা শক্চুনা কোনবিবা লৈদি হায়বা তাকপনি।

ম্নাবেং ২

লৈরি – লৈ-রি

"লৈরি" না চহি অমা মপুং মরা ফাববমু লোইরবমু অনৌবা চহি অমা লৈরি হায়রা খংনৈ, অনৌবা পুল্লি লৈরি খংনৈ হায়রু। লৈরি কৎনবনি। ইপা ইপু পুরোন তবেং লৈথিরবমু চারোন শুবোন লৈহৌবি তাকপনি তাইবংপাননা লৈরিবা মথৈ ম্নাঙ-পাদনা লৈ হায়বা খংনৈ হায়রুনা লৈরি কৎনবনি, চেং চাক য়েনশাং নাপী মরাং কাইনা মথেন য়াম্না থোং থাক্লুনা কোইরান লাননরুনা খৎন চৈনদনা চামিননৈ হায়বা তাকপগী লৈরি কৎনবনি। যুগ যুগ খুদিংদা লৈহৌনি হায়বা তাকপনি। লৈরিগী অর্থ ময়াম্না অশুম্না খংনৈ। ইপা ইপুগী পাওতাকনি।

— — — —

ম্নাবেং

শজিবু চৈরাওবা লৈ

মথাই থাইনা মমাংঙৈলগী হৌনা হৌজিক ফাওবা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা কুত্তমলৈ; কোনবীলৈ, লৈরি হায়বা লৈরাং মখন অহুম অসি চাহু কুমজ খুদিংগী কৎনরুনা লাক্লি,

লৈরাং লৈখন অহুম অসিনা তাইবং মীওইব। ঐখোইদা হুংশিবা হুংওাই য়াইফবা পিনবা অহু চারোন শুরোন কয়ানা খংহৌশনু হায়হুনা লৈরাংগী মিংলেন্না ফোংদোকলমই, লৈরাং লৈখন অহুম অসি চৈরাও হুমিত্তা কংনহুনা চৎনরকলি থাইনা মৈ'হীরোনদগী হৌনা চৎনরকপা লৈকং অমনি, লৈকং অসি পু ন্সি শুংশাংন চারোন শুরোন তানা লৈহৌনবা কৎপনি, ইপা ইপু পুরোন তরেৎমকপু নিংশিংবা খংনবগীদমক্তা চৈরাওব, হুমিত্তা থোঙ্গালদা তরা লুকলেন কৎপা লোইরগা ইয়ুম ইয়াংয়াইদা চংলমদাইদা থোঙান্দা লৈই তরেৎমক চিংলমলগা থুরুম্মম্নগা হম্না য়েংদনা ইয়ুমদা চংলকই অহুগা তরা লুকলেন চানবা চৎ'ন লুকলেন কত্রিভৈদা কনা অমত্তা চাবা থকপা তৌনদে তরা লুকলেন চাত্রিভৈদা অথা অয়াক হায়বদি পেরুক য়াইঙং অসিনচিংবা খব খর চারগা তরা লুককোই চাবা চৎনরকই। লৈই অসিনা তাকপদি ইপা ইপু পুরোন তরেৎমকপু লৈরি হায়বা তাকপনি, মখোইগী চারোন শুরোননি ঐখোয় অসি হায়বা ত'কপনি, চারোন শুরোন শুথাং লৈহৌনবা লৈরাং, অহুম অসি কৎনবনি, অন্না-অনা; অনা অয়েক পুম্বা রাদা শিন্নৈ। মমু তাইবং মীওইবনা তাইবংপান অসিদা মালেম লৈকোইবুংদা রাগী মিংলেন অসি অহুমা থোনলমই, রানা তাইবং মীওইবগী অন্না অনা অনা অয়েন পুম্বা পুই হায়হুনা র কৌ'ন হায়না ফোংদোকই, রাপন্দা 'চরাও হুমিৎতা লুকলেন কতু না অন্না অনা শিন্নৈ রা নংগী নতৌওয়া চারোন শুরোন থমনমবা ওমজগে হায়না নিংহুনা থুরুমনৈ, রানা রাপন ফ রগা

মচাক মরন চাওখৎলি হায়নৈ রানা চহি খুদিং উশোয় চোংহুমা অনৌ অনৌবা রা পুথোক্লকই, তাইবং মীওইবনা রা য়ানবদা মুমিৎ থা য়েংহনা য়াদৈ, রাপন য়োকপা অসি থাইনা মমাংঙৈদগী চৎনরকই। ইপা ইপু হাক্তক্তগী চংনরকপা পাথাপনি ইপানাৎ ইপুনাৎ লিচৎ শাজৎ অসি চাবোন শুরোন কয়ানা হৌজিক ফাওবা শজিবু চৈরাওবা মুমিত্ত পাংথোকনৈ, কনা কনাগুম্বনা শজিবু নোংমা পানবদা চৈবাওবা চৎনৈ; কনা কনাগুম্বনা শজিবু নোংমা পানবা চৈবাওনদে মাগী মাগী অপাম্বা মুমিৎ খঙ্গুনা চৈরাওবা থৌরম পাংথোকনৈ, শজিবু থাগী মঙ্গুংদা চৈরাওবা থৌরম অসি মৈহৌরোনদগী চৎনরকই। থৌরম অসি এখোই পুম্নমক্কী মুংঙাই য়াইফনবগী ইরাৎ থৌনি থৌরমনি। চৎনবী হায়বা অসিমক মুৎপা য়াদহুমা মৈহৌরোনদগী হৌজিক ফাওবা চৎনহুনা লৈরি। মতুংদমু চৎনবী অসি থক মুৎলোই। চারোন শুরোননা পাংথোকনি। অসিগুম্বা চৎনবী হৈকৎ লৈকৎ লুকৎ অমম্ভুং লাইরোন তিনবোন পুম্নমক হৌজিকী চৈরাওবা মথন অনিমক্তা চৎনবী অমা ওইনা ইপা ইপু হাক্তকত্তগী হৌনা চংনরকলি. লাই শুরুন চংনগী পথাপ অসি কাইদনা চৎনরকই অমম্ভুং চৎনখিগনি, লৈবাক প্রাজা মুংঙাই য়াইফনবগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পারেংনি. অমম্ভুং লাই শুরু হাক্তক্তগী হৌনা চৎনরকপা পথাপনি। পথাপ অসি অহোংবা অমা লাক্তি ফাওবা চৎনখিবা য়াই হায়না লাই শুরুনা থাজনৈ।

মথাই থাইনা মৈহৌরোলদগী চৌমা ইপা ইপুনা চৈরাওবা হুমিত্তা চৈ পাইহনা মীয়াম খংনবা লাংছনা চংলি হায়হনা চৈরাওবা কৌই চৈনা-চৈ পাইহনা রাওবনা লাওথোকপা অপুম্বা খংনরম্মী, হৌজিক্তি চৈরাওবা হায়না ময়াম্ম অম্মম খংনরে। চৈরাওবা লোংতালগা শিনহেনবা হায়না খংনৈ, চহি অনৌবা হৌব হুমিং হায়নম্ম লৌনৈ, হুমিং অসিদা হুংওাই য়াইফনা অনৌব, চহি অমা পুল্লি লেনবা হৌবা হুমিংনি হায়হনা থবক ইনথাং থবক শুদনা হুংওাইনা লৈথোকনৈ, মরম অসিগীদমক্তা ঐথোয়না শিনহেনবা হায়বদি শিন'না থবক হেনবনা শুদনা লৈবা অমদি অরাবা শুদনা হুংওাই য়াইযনা লৈবা ফোংদোকই। হুমিং অসিদা অরাবা থবক ইনথাং অমত্তা শুনদে মসিম্ম ইপা ইপুগী লিচং শাজংনি চংনবী অমা ওইনা হৌজিক ফাওবা চংনরকলি, তাইবং মীওইবনা পুল্লি অসি চাওথ পা। লম্বীদা চুমদিং [চুম্না চংনবা চংনবী পথাপ অসি শেমলমবনি হায়না লৌনৈ।

— — — —

রারেং

তামুনা উশিন থানৈ

চৈরাওবা পুমিং অসিদা তামুনা তাইবং মীগী উশিন থাবা অসিমম্ম চংনৈ। চংনবী পথাপ অসি থাংনা মমাংতৌদগী হৌনা

অন্থুম অম্নুম হৌজিক ফাওবা চৎনরকলি, ভামু অচংবা মশা কনবা ভাগা মীশিংগা কোন্ননা পুখ্রিদা উশিন থানৈ। উশিন থাবা অসি য়াম্না ফবা চংনবী প্রথাপ অমনি। মীওইবা ঐখোইনা ভাদা, ব্রাদা মীওইবগী দশা লাংবন ফত্ত গৌদি অরা অনা পুম্নমক শিন্নহুনা হুংভাই য়াইকনা হিংহুনা লৈনবা চৎনবী পথাপ অসি শেমলমবনি হায়না লৌান। মীওইবা ঐখোয়দি চাওখৎপা পাম্বা জাতিনি, চাওখৎ থৌরাং পাংবদা ব্রৈখাই থিনগাই থোক্কনবা উশিন থানবনি অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা মীওবনা হুংভাই য়াইফবা খিবিক ফংহুনা হিংনবনি।

ব্রারেং ৫

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা

শজিবু চৈরাওবা নোংমা পানবদা তৌগদবা থৌরম পরেং ইরি :—

থাশিগী অহিংদা (মুমিদাংদা) লাইনিংথৌ সনামহিদা অথেনপোৎ কৎলগা থোংহুনা চাগদবনি। (অথুম অহাও হায়বদি করোক হৈবোকম্ কৎপায়াই)।

কোংজাম্বগী শজিবু থাগী নোংম পানবা মুনিংসা লাইখোম্বা নুমিৎতা লাইহরাওবা পূজা ফ্রেন্দা, লৈমরেনদা, কপ্পা লৈমরেন্না হৈথাদি যদ্দা লাংপোকপদা সিদা অথেনপোং হায়বদি মৈ চংদবা অখোনপাং চেং হরাই, থাও-থুম হৈ, লৈ ধূপ থাগৎলে দখনা পুন্নক শন্না কংলু, পুন্নমক অতু থোংলগা থোঙ্গালদা ন্না তৈথে ক্লগা লুক অহুম শেমহুনা লাইবোন অসি হায়হুনা লুক কংলু :-

লাইবোল — "লৈমাবা লৈঙাকপা লৈশঙ্গ ভুশেম্বা কুমশ্না কুমমিলা, লৈবক শ যোম্বা থোংবান লালসুম্বা" মিংথোনবা নাই-অহুম অসিগী মিংলেন অম শেম্দুনা কুম অসিগী মরাংঅনা অনা অযেক দশা লাংবন ফত্তবা পুন্নক লেকপিহুনা হবুতে ইবেম্মাগী সেবা তৌজবা ওযহনবা হায়না তবা লুক অহুম অতু কংলু ফেএ॥ হৌজিকাদি লুক অমমদা কংনবে।

লুক কংপা লোইবগা লৈই ৭ (তরেং লিলমউ অতুগা ইপা ইপু পুরোন-তবেংমকপু খুকমলগা মাই তু লোমদা হন্না যেংলমদনা যুমদা চংলকউ, মসি তৌববদি তিনমু-শা মু ফত্তবা যুমদা চংদেয়ে, তিনকোক লাইকোকএ, চৈরাওবা চৈনিঙা লৌ দ কংপা লদ কুশুনলে কোম্বইপ, লৈবি অসি চিংবনি।

ৱারেং ৬

পুরৈ

শজিবু চৈবাওবা ঙুমি' অসিদা অথেনপোক্তা পুরৈ হায়বা অহু হাপকদবান পুরৈ অসি তাইবং মীওইবা ঐখোয়না য়েনহৌদগী হৌনা পুরৈ হায়না অস্থুম খংনরকই, থাইনা মমাংদা ওকনা তাইবং মীওইবা পুন্নমক পুন্নপ পুনশিন্দুনা থন্নবা য়েনশাংদি পুরৈনি হায়না মিংথোক্লে. ওকনা থোনবা মিংলেননি। পুননা পুন্না খংন-চৈনদনা লৈমিন্নবা পুরৈ অসি চৈরাওবা ঙুমিক্তা কৎনৈত্র. তাইবং মীওইবনা পুন্না পুন্না খংন-চৈন দনা লৈমিন্নবা হায়তুনা পুরৈ অসি চৈরাওবা ঙুমিক্তা চানৈ পুরৈনা পুন শিনবা খংন চৈনদবা খংনৈএ পুন্সি ঙুংশাংমা হিংনবা পুন্ন চৈ-রাওবদা কৎনৈএ ওকনী য়াথংনে। ওকনা পুরৈ হায়না থোনবগী ৱারোল অসি লৈএ ওকনা পুরৈ হ য়ব' অসিমক ওকনা থোনবা মিংনিএ

পুনলৈ পুন-পুন্নপ পুন শ বা, লৈ লৈবা পুন্নপ পুনশিন্দুনা লৈমিনবা খংন চৈনদবা ঙুংতাই য়াইযনা লৈবা খংনৈএ।


ৱারেং ৭

ৱাখো দা লুক তৎপা

চৈবাওবা ঙুমিক্তা ইংখোলগী ৱাখোংদা অমাং অশোই থুমনাম নাচৈ লৈত্তবা অশেংবা মফম হায়বদি ৱা ফজনা হোবা ৱাখোংদা

লুক অমা শেমন্থনা ক'লু. রারোন হায়বদি লাইরোন্ অসি হায়থনা কৎলু "হে ইতাও রা ও" তাইবংপান লৈশেমৌদগী হৌনা তাইবচা কয়ানা রা হায়না কৌনবগী অর্থদি রা নংনা তাইবং মীওইবগী অরা-অনা, অনা অয়েক, ফওহৌ হায়বদি দশা লাংবন ফত্তবা পুন্নমক হ য়দি অরাবা পুন্নমক পুই হায়থনা গুরুনা নংগী নমিং রা হায়না খোলএ। মরম অনা রা নংঙোন্দনা ঐখোইগী দশা লাংবন ফত্তবা অমদি অনা-অয়েক পুন্নমক কুমসি কুমসিগী ইতাওনা পুবিয়ু হ য়না পুনেন্নজরি গুরুনা তাকপিন্থনা শোনজবনি, গুরুগী য়াথংনি হিকতে কপা য়াদেএ॥

অন্থুম্মা রাদা অরা-অনা পুন্নমক শিন্নখোকপা ফৈএ গুরুগী য়াথংনে॥



লেখকগী অতোপ্পা লাইরিকশিং

১। [illegible] [illegible] [illegible]
২। [illegible] 'হুন্দোনবী, বাঙ্গে'
৩। ম্যেলশিংবা
৪। কো-ওপরেশন
৫। অকনবা সমাজ (ড্রামা)
৬। প্রেকটিকেল এগ্রিকলচর
৭। হিন্দী অমসুং ইংরেজী হৈনবা লাইরিক
৮। ইংরেজী অমসুং হিন্দীগী লমজিং লাইরিক
৯। New H'ndi words Book
১০। ব্রহ্মচর্য্য
১১। An easy step to English Translation and Composition
১২। বাকেং শৈরেং পোকপাৎকবা
১৩। পঞ্চ সরোজ ভাগ লোগী চংখোনবা অর্থ
১৪। The pocket Dictionary

থোকচবা :—
শ্রীরাম যাইমা সিংহ
কোজেং লৈকাই

তাং ১০ । ১ । ৮৬ ইং